# ২০০৬ কী দোহা, ২০১০ গী গ্বাঙজৌ এসিয়ন গেমসতা বিমোলজিৎনা ব্রুশুদা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম মথংশিংনা লৌরকখি

অহানবদদি ব্রুশু হায়বা মশান্নসি থোইনা পোপ্যুলর ওইরম্বা গেম অমা নত্তে। ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা স্পোর্টসকী অশিন-অরাং, অঙম-অথৌ কাংবুনসু কয়া কন্না লূম্না লৌনরমদে। অদুবু, দোহা এসিয়ন গেমস ২০০৬ তা বিমোলজিৎনা ইন্দিয়াগী ওইনা ইহান হান্না ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌদুনা একাউন্ট হাংদোরক-পদগীদি স্পোর্টস ওথোরিটিগী মরু ওইবা ওফিসলশিংনসু ব্রুশুদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা হৌরকখি। ব্রুশু হায়বা গেমসিগী লৈরিবা ইভেন্ট কয়ামরুমসিদা, মেদল ময়াম অমা লৌবা য়াগদবা লৈবনা ব্রুশুদা থৱায় য়াওনরকখি।

তশেংনমকসু ২০০৬ কী দোহা এসিয়ন গেমস অসি, ইন্দিয়াগী ওইনদি ব্রুশুগী অনৌবা ইতিহাস অমা শেমখিবা চহীনি। অদুগা, গেম অসি ময়েক শেংনা ইন্দিয়া পুম্বা মশক খঙহল্লকখিবদি মণিপুর মচাশিংননি। ইন্দিয়াগী নেসনল কোচিং কেম্পতা মরু ওইনা ট্রেনিং পীরিবা কোচশিংগী মনুংদা মণিপুর মচা কোচ ইস্লামুদ্দিনসু অমনি। ইন্দিয়া কেম্পতা ট্রেনিংগীদমক লৈরম্বসি সানশৌগী কোচ ওইনা ইস্লামুদ্দিন, তাওলুগী কোচ ওইনা য়ুপিদগী কো ট্রিপাথি অনী অসিনি। হায়রিবা কোচ অনী অসিনা নেসনল কেম্পশিংদা হৌরকপা মতমদা ট্রেনিং পীরকখি। দোহা এসিয়ন গেমস ২০০৬ তা থাননবা ট্রেনিং তৌখিবসি পুম্না শাম্নরোয় ৩০ মুক্কি। মদুগী মথং মথং খনগৎলক্লগা অখন্নবা ট্রেনিং পীরকখিবদি সুপ্নগী প্লেয়র ১০ নি। হায়রিবসিদি অমুক অহুমখক খল্লগা দোহা এসিয়ন গেমসকী থাখিবনি। লোয়ননা বিমোলজিনি ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুরকখিবনি। এসিয়ন গেমসতগী ব্রোঞ্জ মেদল ফঙলবা মতুংদগীদি বিমোলজিৎতা অনৌবা থৌনা অমা লাকপগা লোয়ননা এসিয়ন গেমসতগী সনাগী মেদল অমা লৌননবগী ৱাখল অমুক ফাওরকখি। মরম অদুনা, শান্নরোয়সিগী ৱাখলদা ফোরেন এক্সপোজর ট্রিপনচিংবা অখন্নবা খরা ফেদরেসন কাঙবুদগী শিলহন্নিংখি।

অদুগা, ৱশুগুম্বা গেম মখলশিংগী ওইনদি ইশান্তা প্রেকটিশ তৌজবগী মহুত্তা, হেন্না ইমপ্রুফ তৌননবগীদমক অতোপ অতোপ্পা কন্ত্রিগী শান্নরোয়শিংগা ফাইট তৌদুনা শান্নমিন্নবা চঙই। তোইনা ফাইট তৌন্দুনা কাউন-থিন্নদুনা শান্নমিন্নরবদি অমনা অমগী অশোয়বা মুন্না খঙনবা, প্লেয়র অনীমক্তা ইম্প্রুফ তৌবসু ঙমহল্লি। অমরোমদনা, ৱশু মশান্নগী টুর্নামেন্ট অসি মশিং য়ামদবা টুর্নামেন্ট চেম্পিয়নশিপ অসি অকক্লবা খরখক তৌবনা ব্রুশু শান্নজরিবা প্লেয়রদদি নুংঙাইতবা খরসু ঙল্লিঙৈদগী মায়োক্লদুনা লাকখি।

এসিয়ন গেমসতা চিনাগী প্লেয়রশিংনা শান্নরিবশিং অদুদি ফজনা ষ্টেন্দর্দ ওইরে। গেম মখলসি মখোয়রোমদগী হৌরকপনিনা শান্নরকপা মতমদা চাউনা খেন্নবা খরদি উরি। বিমোলজিৎসু ট্রেনিং কন্না তৌরগা এসিয়ন গেমসনচিংবদগী ব্রোঞ্জগী মহুত্তা গোল্ড মেদল নত্তয়গা সিলভর মেদল পরগা লাক্কিংখি। চিনাগী শান্নরোয়াংনা শীজিন্নরিবা ব্রুশুগী টেক্নিকশিং অদুদি য়াম্না ফর্ষ্ট ওইনা শীজিন্নবা মরম্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা হেক্তা লাইনা এপ্লাই তৌবসু ঙমদে। অদুনা ২০০৬/২০০৭কী মতমসিদা চিনাগুম্বা লৈবাক্তা চৎতুনা কন্না ট্রেনিং তৌনিংবগী ৱাখল বিমোলজিৎতসু ফাওখি। অদুবু ৱাখলদা কন্না চৎনিংবা ফাওজরবসু ফোরেন এক্সপোজর-নচিংবদি চৎপা সুকফঙ ফঙলকখিদে।

অমরোমদা, শান্নবসিসু থাক খরা ৱাংখৎহনগে শান্নগে হায়বা খল্লগদি, ইশাগা চপ চান্নজবা অফবা মগুন চেনবা কোচ অমা মথৌ তাই। শান্নরোয় অমবু মকোক্তগী গর গর তকখায়দুনা ষ্টেপ বাই ষ্টেপ প্রোসেস অমত্তা হেক্তা কান্দনা শেংনা চুম্না তাকপি-তম্বীরক্লগদি হেন্নসু নুংঙাইগদবনি। তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগী মান্নদবা কাংলোন ময়াম লৈবনিনা ইশা ইশানা থৱায় য়াওনা শান্নরিবা গেম অদুমদি, প্লেয়র খুদিংমক্না মমুৎ তানা খঙবসু তাই।য়

বিমোলজিৎনা ব্রুশু মশান্না ফজনা শান্নবা ঙল্লকখিবা অসিদি সী আর পি এফতা জোইন তৌদুনা থবক চঙলবা মতুংদগীনি। কুমজা ২০০৭তা গুৱাহাটিদা তৌদুনা ‘৩৩ শুবা নেসনল গেমস’তা বিমোলজিৎ মশাগী ষ্টেট মণিপুরগী মমিংদা শান্নখি। মদুদা বিমোলজিৎনা কিলোগ্রাম ৬০ গী কাঙলুপ্তা সনাগীমেদল লৌরকখি। অদুগা, ২০১১ দা তৌখিবা “৩৪ শুবা নেসনল গেম”তদি বিমোলজিৎ দেল্লিগী মমিংদা শান্নখি। মদুদসু মহাক সনাগী মেদল অমা লৌবা ঙল্লকখি। হায়রিবা চহীদুদা বিমোলজি দিল্লি ষ্টেটকী অফবা শান্নরোয়শিংদা অখন্নবা পিবা মনা “রঞ্জিব গান্ধি ষ্টেট এৱার্দ” (ব্রুশু) দিল্লি ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর শিলা দিক্ষিততগী লৌরকখি। বিমোলজিৎনা ২০০৪ দগীনা ২০১১ ফাওবদা নেসনল থাক্তগী সনাগী মেদল মঙা, লুপাগী অমা, নেসনল গেমস ২০০৭ অমসুং ২০১১ দা গোল্ড মেদল অমমম, এসিয়ন গেমসতগীনা ২০০৬ অমসুং ২০১০ দা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম মথংশিংনা লৌবা ঙল্লকখি। মশাগী স্পোর্টস এচিভমেন্ট খরদুনা মহাক কুমজা ২০১১ দা ইন্দিয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা “অর্জুন এৱার্দ” কীদমক এপ্লাই তৌখি। নীংশিংবা য়াবদি বিমোলজিৎ ২০১০ গী গ্বাঙজৌ এসিয়ন গেমসতসু ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংলকখি। অদুনা বিমোলজিৎনা এসিয়ন গেমস অনীদগী ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌবা ঙল্লকখি।

অর্জুন এৱার্দকী এপ্লাই তৌবদসু অহানবদদি বিমোলজিৎ মায় পাকপা ঙমখিদে। হঞ্জিন হঞ্জিন অনীরকশুবা ওইনা ২০১২ দসু অর্জুন এৱার্দকী এপ্লাই তৌখি। ২০১২ গী অর্জুন এৱার্দ ফংগদবশিং মমিং লাউথোরকপদা ব্রুশুগী ওইনা বিমোলজিৎ য়াওরকখি। মহাক্না, অর্জুন এৱার্দকী লিষ্টতা মশাগী মীং য়াওরে হায়বসি ভিয়েটনামগী হো চি মিন সিটিদা তৌখিবা ‘৮ শুবা এসিয়ন ব্রুশু চেম্পিয়নসিপ’ কী সেমি ফাইনেল শান্নগদবা নুমিৎতা তাখি। নুংঙাইরবা পাউদু তাবদা বিমোলজিৎ মপূক্নিংদা অপেনবা পোকখি। লোয়ননা মদুগী এসিয়ন ব্রুশু চেম্পিয়নসিপ অদুদসু ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌরকখি।

*-মথং-মথং*




**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**হঙ্গৎনা য়েংলুবদা এসিয়ন গেমস**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫

১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙল্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৭৪গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| *(১) মুতুম মালেমঙানবা, খোংজোম খেবচীং* | *(৪)* |
| (২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৪) |
| (৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | (৪) |

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৭৪গী ৱিন্নর**

*মুতুম মালেমঙানবা, খোংজোম খেবচীং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৭৪গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

জুলাই ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৪গী পাউখুম

১। মহাক অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়নি, মহাক্কী লৈবাক্না ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবা মতমদা মহাকসু শরুক য়াখি। মহাকপু মহাক্কী ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা Gasolina হায়নসু খঙনৈ। মহাক কনানো? :- PELE

২। মহাক নুপীনি, মহাক্কী মপা দাক্তরনি, মহাক্না ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংলবা মতুংদা হভার্দ মেদিকেল স্কুলদা তমদুনা দোক্তর ওইখি। ৱিন্টর ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমনা দোক্তর ওইবা অসি অতাঙবনি, মহাক্কী মমিং হায়য়ু? :- TENLEY ALBRIGH

৩। মহাক অমেরিকাগী অফাওবা এথলেটনি। ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। লৈবাক অদুগী অচৌবা লানগী জহাজ অমা মহাক্কী মমীং থোনখি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে? :- CHARLES PADDUCK

৪। মহাক ওলেম্পিক্কী মেদলসু ফংখি, ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাকপু মেনেজরনা তান্থোকখি। মহাক মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী ফুটবোল টিমদা য়াওখিদ্রে। মহাক কনানো? :- ANDRES MAZALI

৫। পীরিবা শক্তম অসি কনানো? :- RAY ILLINGWORTH

## দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসন (বি দি বি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৭তগী হৌরগা ২৯ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী কলেজগী ইন্দোর ষ্টদিয়মদা ৮শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএন অসিগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুকয়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা জুলাই ২৩ ফাওবগী মনুংদা এন্ত্রি ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি। অদুগা ফোর্ম লৌথোকপগী মতম অদুনা জুলাই ২৫ ওইগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি। টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোয়শিংনা কনাগা লম্বা তৌগনি হায়বগী দ্রো অদুনা জুলাই ২৬তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এন্ত্রি ফী ওইনা চহী ১৩ অমসুং ১৫ মখাগী সিঙ্গলস অমসুং দবলসতা লুপা ১০০ অমসুং ২০০নি। চহী ১৭ অমসুং ১৯ মখাগীনা সিঙ্গলসতা লুপা ১৫০ অমদি ৩০০ অদুগা ওপন ইভেন্টকীনা সিঙ্গলসতা লুপা ৩০০ অমসুং দবলসতা লুপা ৬০০নি হায়রি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা চহী ১৩ মখা, চহী ১৫ মখা, চহী ১৭ মখা, চহী ১৯ মখা, মেন্স অমসুং ব্রুমেন্সকী সিঙ্গলস অমদি দবলসতা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌগনি হায়রি।

## রোয়িংগী ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী মধ্য প্রদেশ ষ্টেটতা চহী অসিগী ওক্টোবর ২দগী হৌরগা ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৯শুবা নেসনেল জুনিয়র রোয়িং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী জুনিয়র রোৱরশিং খনবাগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোল্লগনি হায়না মণিপুর রোয়িং এসোসিএসনননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মণিপুরগী জুনিয়র নুপা অমসুং নুপীগী রোৱরশিং খনবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অদু থা অসিগী ২২দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাংগা লৈবা টকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি হায়রি। মখাতাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর রোৱিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## মুক্না ৱার্কশোপ কম রেসিদেন্সিএস কোচিং কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস)ঃ দাইরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস), মণিপুরনা শীন্দুনা গভর্নমেন্ট হায়স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দেরি স্কুলশিংদা তম্লিবা নুপাশিংগী ওইবা মুক্না ৱার্কসোপ কম মাস রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প অমা মথং থাগী ৪দগী ৮ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোল্লগনি হায়না দাইরেক্টোরেট অসিগী স্পোর্টস প্রোমোসন ওফিসারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা দাইরেক্টোরেট অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসার খুদিংমক্না থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা জোন অমমমদগী শান্নরোয় ১০/১০ অমদি ইন চার্জ ওঝা অমা থারক্লবা খঙহল্লক্লি।

নুমিৎ ৫নি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা মুক্না ৱার্কসোপ কম মাস রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প অসিদা য়াগদবা পার্টিসিপেন্ট খুদিংমক দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী টি এ/দি এ পীগনি হায়রি। মরম অদুনা জুলাই ২৫ ফাওবগী মনুংদা এন্ত্রি ফোর্ম জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসারগী খুৎথাংদা দাইরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)তা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়রি।

## মণিপুর কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসন্না শীন্দুনা মণিপুর কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবা য়ুথ ক্লব বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা ওগষ্ট ১দগী ৪ ফাওবা পাঙথোল্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ অসি সেনিয়র মেনস অমসুং ব্রুমেন্স, জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লসকী কাংলুপ্তা লম্বা তৌনগনি হায়রি।

সবজুনিয়র বোইজ অমসুং গর্লসকী কাংলুপ অদু কিলোগ্রাম ৫৫ মখাগীদা লম্বা তৌনগনি। জুনিয়র গর্লসকীদা কিলোগ্রাম ৬৫গী মখা, জুনিয়র বোইজতা কেজি ৭০ মখা, সেনিয়র ব্রুমেন্সকীনা কেজি ৭৫ মখা অমসুং সেনিয়র মেন্সকীনা কেজি ৮৫ মখাগীদা ওইগনি হায়রি।

লোয়ননা সবজনিয়র কাংলুপকী শান্নরোয়শিং অদু মশাগী চহী ১৬ মখাগী ওইগদবনি অদুগা জুনিয়রগী কাংলুপকীনা মশাগী চহী ২০গী মখা ওইগদবনি হায়রি।


হেন্না থাজবা

স্ক্রুটিনি য়ামদবা

নহাক্কী ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌ

জুলাই ৩১, ২০১৮

ফাওবগী মনুংদা

(ওদিট তৌরোইদবা মীওইশিংগী একাউন্টশিংগী অরোইবা নুমিৎ)

- ইনকম টেক্স রিটর্ন চাদা ০.৫% গী চাংদা লৈবশিং খক্তমক স্ক্রুটিনি তৌগনি
- স্ক্রুটিনিগী খনগৎপা অদু কম্প্যুটর এসিষ্টেদ স্ক্রুটিনি সিষ্টেম (সী এ এস এস) না তৌবনি মীগী খুৎ চঙদে

davp 15401/13/0018/1819

রিটর্ন ওফ ইনকমগী ই-ফাইলিং অদু http://incometaxindiaefiling.gov.in দা লোগ ওন তৌ

**কনানা ইনকম টেক্স রিটর্ন ই-ফাইল তৌগনি?**

- অপুনবা ইনকম লুপা লাখ ৫ হেনবা মীওইশিং অমসুং ঐচ য়ু এফ লৈবা নৎত্রগা রিটর্নশিং রিফন্দ তৌনবা ক্লেম তৌরিবা (মশাগী চহী ৮০ দগী হেনবা নৎত্রগা ফোর্ম নম্বর আই টি আর-১ নৎত্রগা আই টি আর-২ মেল্লবশিং য়াওরোই)
- লৈবাক অসিদা লৈবা মীরমদা এসেট/ইনকম নৎত্রগা মীরমগী টেক্স রিলিফ ক্লেম তৌবশিং লোয়ননা ঐচ য়ু এফশিং
- আই টি আর অদু ফোর্ম নম্বর ৩, ৪, ৫ নৎত্রগা ৭ মেনশিল্লবা মীওইশিং

**করিগীদমক ইনকম টেক্স রিটর্ন মতম চানা ফাইল তৌরিবনো?**

- রিফন্দ অদু মতম চঙদবা
- রিফন্দ মতমদা শেন্দোই পুন্না ফংবা
- রিটর্নশিং অদু কোন্না শেমদোকপা য়াই
- মাঙজবা মখলশিং অদু থংনবা চহীশিংদা পুখৎলগা শেমদোকপা য়াই
- আই টি আরদা থেংনা ফাইল তৌবগী ফী পীবা য়াই
- থেংনা ফাইলিং তৌবনা শেন্দোই কাহনবা য়াই

@IncomeTaxindia

চঙবীয়ু : www.incometaxindia.gov.in / www.cleanmoney.gov.in

“এ এ ৱাই কে এ আর সেটু” দাউনলোদ তৌ টেক্স পেয়রশিংগী সর্ভিসেস মোদ্যুল অমসুং মোবাইল এপ্লিকেসন

आयकर विभाग

केन्द्रीय प्रत्यक्ष कर बोर्ड